নিপানলক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

মোদেল শীংজমৈ চীংঙামখা, ক্রাও খম্নাম বজার অমসুং পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-থ্রী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা মোদেল শীংজমৈ চীংঙামখানা এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাই, ক্রাও খম্নাম বজারনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেই পেলেস কম্পাউন্দ অদুগা পি টি সী সী পাৎসোই পার্ট-থ্রীনা ট্রাও ক্বাকৈথেল মায়থীবা পীখ্রে।

পব্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-থ্রী চেরাপুরদা এস সী সী সী অমসুং মোদেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মোদেলনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এস সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এস সী সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৩৯.৪ শুরকপদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১২৯ লৌবা ঙমখি।

মোদেলনা টার্গেট রন ১৩০ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা ক্রিজতা মতম শাংনা লৈদুনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ওভর ২৭.৩ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৩৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মোদেলনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকখিবনি।

লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা ক্রাও অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ঈ এস য়ুনা ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী ক্রাওনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। ক্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪৩.১ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪১.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৭২ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ক্রাওনা রন ১৯দা থোইখিবনি।

অমরোমদা, লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ট্রাও অমসুং পি টি সী সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ট্রাওনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৪৫ লোইবদা ৱিকেট ৫ খক তুরগা পূন্না রন ২২৬ লৌবা ঙমখি।

ট্রাওনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং ক্রিজতা লৈদুনা মতম শাংনা মায়োক য়াবা ঙমদবদগী ওভর ৩২.১ খক্তা ঙাইরিঙৈদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৫৭ তগী হেন্না লৌবা ঙমদবদগী মেটচ অদু পি টি সী সীনা রন ৬৯দা মায় পাকখিবনি।

৪৫রক শুবা ষ্টেট লেভেল হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর হেন্দবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা চীংঙারেল টেজপুরদা লৈবা য়াইফ লমজিং কাঙলূপকী শান্নবুংদা ৪৫রক শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা টিম ১১না শরুক য়ারি। সব-জুনিয়র বোইজকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই এল কে চীংঙারেলনা এস এস সী খুরাইবু পাঞ্জল ২০-২দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেটচতনা কে ভি দব্লিয়ু এ ময়াং ইম্ফালনা সী ৱাই দি ও এল লিলোংবু পাঞ্জল ১৭-৭ অদুগা ও ৱাই ও কোংপালনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেইবু পাঞ্জল ২৮-১৪দা মায়থীবা পীখি।

সব-জুনিয়র গর্লসকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ও ৱাই ও কোংপালনা আই এম সী থৌবালবু পাঞ্জল ১৩-৫ অদুগা আই এম সী থৌবালনা এস এস সী খুরাইবু পাঞ্জল ২০-১২দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অথোইবা মীথুংলেননা সওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিল্লা পরিষদ য়ুম্নাম ইবোহলনা ওইখি। রিটায়র্দ ইন্সপেক্টর তেন্সুবম ইবোহলনা থৌরম মপূ অদুগা কংলা গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়রপর্সন এস কুমার, সওম্বুং জি পিগী চেয়রপর্সন নিংথৌজম ধনেশ্বর, কংলা জি পিগী ৱার্দ মেম্বরশিং ঙাংবম নবকিশোর, এম ইবেমচা, রামচান্দ লুলেং অমসুং লৈশেম্বা মহৈকোলগী প্রিন্সিপাল য়াইস্কুলনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

চিংলেনসনা সেলেক্সন কম্মিটিদা সেলেক্টর ওইনা য়াওরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): মথং থাগী ১৮দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা নেদরলেন্দসকী ব্রেদাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং অমসুং মেটচশিংদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন জুনিয়র মেন হোক্কী টিমগী সেলেক্সন কম্মিটিদা মণিপুরগী চিংলেনসনা কাঙুজমসু য়াওরি।

ইন্দিয়ন জুনিয়র মেন হোক্কী টিমগী ট্রেনিংদা শরুক য়াগদবশিংগী সেলেক্সন ট্রায়ল অমা বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরি। হায়রিবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা হোক্কী ইন্দিয়া সেলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা লৈরিবা মণিপুরগী চিংলেনসনা কাঙুজমবু সেলেক্টর ওইনা শরুক য়ানবা হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খঙহল্লকখিবনি।

চিংলেনসনা ওলিম্পিয়ন অমা ওইবদা নৎতনা অর্জুনা এৱার্দী অমসুনি। মহাক ইন্দিয়া টিমগী ভাইস কেপ্টেন অমা ওইনসু শান্নরমখিবা শান্নরোয় অমনি। মহাক থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ১০ ফাওবদা পাঙথোক্কদৌরিবা সেলেক্সন ট্রায়ল অসিদা সেলেক্টর ওইগনি।

ৱালিদানা হৈঙাং থোইখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচ এন এস): হিয়াংলম এন্দ ৱাবগাই কাংখুৎ (হোক) অমসুং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (ৱালিদা)না শীন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা চথরিবা অহানবা লৈখিদ্রবা চবুংবম অমুতোম্বী অমসুং লৈখিদ্রবা এলাংবম মোটিলাল নীংশিং কুমওন ষ্টেট লেভেল কেন্দ্রৱাইজ ওপন লীগ কম নোকআউট কাং টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি ৱালিদা ৱাবগাই অমসুং হৈঙাংগী মরক্তা শান্নখ্রে।

কাংখুৎ অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱালিদানা হৈঙাংবু পাঞ্জল ২৪-১৫দা মায়থীবা পীরমখিবনি। হয়েং ভগবতি ৱাবগাই অমসুং লাংমৈদোং কাংখুৎকী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

অমরোমদা, ঙরাং শীংজমৈ কাংখুৎনা আই দব্লিয়ু কে কে থোংজবু পাঞ্জল ২৩-১১দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

অহানবা টেষ্ট মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়া থোইখ্রে

পর্থ, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিমগী ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী অহানবা টেষ্ট মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপদগী লোইবা ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবু লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ২০ অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী টোম ৱিকহামনা পাঞ্জল অনী, ৩৫ শুবা মিনটতা টিম ব্রান্দনা অমা, ৩৭শুবা মিনটতা জোইল রিন্টালানা অমা অদুগা ৫৭শুবা মিনটতা ফ্লিন ওগিলভিনা অমা পূন্না পাঞ্জল মঙা চনবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনা ৪৭শুবা মিনটতা গুর্জন্ট সিংহনা চনখিবা পাঞ্জল অমা অদু নৎতনা অতোপ্পা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঞ্জল ৫-১দা থোইখিবনি। অদুমওইনমক লেমহৌরিবা মেটচ ৪দা ইন্দিয়ানা হেন্না ফজবা মওংদা শান্ননবা হোৎনরি হায়না হোক্কী ইন্দিয়াগী ৱারোল অমনা হায়রি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible] / WANTED

HELPER FOR A FASTFOOD IN LAMPHEL
Age below 30, Ph. no. - 9436618529
HL-P/10018/4,6,7

[illegible] / দ্রাইভর পামজে

গাড়ী নীংথিনা থৌবা হৈবা অমসুং লাইসেন্স হোলদর ওইবা দ্রাইভর পামজে। হায়রিবা খুদোংচাবা থবক অসিবু পান্নীবশিংনা মখাদা পীজরিবা ফোন নম্বর অসিদা অথুবদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

Phone Number :- +91 7085037176

HL-P/10349/4,6,7

[illegible]/ খোঙ হান্বা খূদিংগী লৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুদংগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদসু খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমসু পোল্লগা লৈবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী লৈ শাৎপগুম্না অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা পোমথোরকপা, খোঙ হান্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, অমাংথোঙ মনুংদসু খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংমুক চাওবা অমসু পোল্লগা লৈবা, খোঙ হান্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা হকচাংদা অকিবা অমা পোকপা ঈ তারক্কনি খনবদা, হকচাং চোকথ-ৱাস্থরগতা লৈবা, শুনিং-চৎনিংবা পোক্তবা, পোথারগতা লৈনিংবা, খোঙ হান্বদা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, মচিৎ-মচিৎ হান্বা, খোঙ হান্বা মতমদা কোঙ্গোল অমদি মনাং য়াম্না য়াওরকপা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অনী পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদু চিকপা-নাবা তৌরকপা খূৎনা থেংবদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোঙদা লুম-লুম লাউরগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10128/7
থাগৎচরিবা : **Y. Herachandra,** Sagolband

[illegible]/ পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না-তোয়না খেগৎপা, পূকচেপ নাবা, চাবা-থকপা য়াদবা, থজিন শাওগৎপা, তাং-তাং চিকপা, শিংলি-নাওরি শোনবা, করিগুম্বা অমা চাশিনবদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবা, খ্বাঙ নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়ারোমদা য়াম্না তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্নগসু অকনবা, খজিক্তং হান্নগা তোকপা, খোঙ হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা খ্বাঙ য়াম্না নাবা, চাবা-থকপসু য়াদবা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা পূক্তা নাবা হেনবা অমদি ঈশাদা চিকপা-নাবা হেনবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা হেনবা, খূউ অসিসু চিকপা, শিংলি-নাওরি শোনবা, চখাউ শোকপা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়েৎকী হকচাং তঙ্খায় অমা মরক-মরক্তা শিথগে তৌবা অদুগা অমুক ফখিবা, অহিং তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী শোনবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা, মচি ওইবা চারবসু হকচাংদা কান্নদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক নাবা, নময়াঙ মরিনসু নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/ SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8619/7
থাগৎচরিবা : **Ch. Nasir Ahamad,** Kwakta

[illegible]

M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rdClass	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4thClass	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 7005513073

HL-P/10145/31/3-9/4

[illegible]
SASHI COACHING CENTRE
Khurai Ahongei Leikai, OPP. Babina Diagnostic, JNIMS Road
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN KHURAI SOIBAM LEIKAI
ADMISSION OPEN
XII FOUNDATION COURSE (COHSEM & CBSE)
Subjects offer:
Physics, Chemistry, Mathematics, Biology, Home Science, English and Manipuri
Class Starts on: 15th April 2024 Class Timing: Evening (4:00 to 8:00)
SPECIAL FEATURES
- Updated study materials & Previous years questions
- Expected Questions for upcoming exams
- Unit- wise test & Mock Test
- Experience and expert faculties
- Affordable course fee

Available: Hostel (Boys & Girls) + Van Services
For more information, please visit, Sashi Coaching Office: +91 7005023985, +91 7005329252

HL-P/10326/2 to 13 April

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

ঐখোয় চোইরোল ঙাংবগী মতম নৎত্রে

(৪৯৭)

হন্দক মরক পাউচে হেক পারুবদা ভোট থাদরোই, ভোট য়াওরোই হায়বসি য়াম্না থেংনজে। কয়াম মুন্না খন্থবীরগা হায়রিবনো? মসিনা কান্নগদৌরিবনা করিনো? ভোট পামদবা ভোটর লাখ ৩০না ভোট থাদবগা ভোট পাম্না ভোটর ১০ খক্না ভোট থাদবা অদুগা ভোটকী ভোট চপ মান্নদব্রো। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইস্যু অসিদা মসিনা সোল্যুসন পুরকপদি শুকঙম ঙম্লোই হায়না খঞ্জে ৱারৌবীগনু। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়দা থা ১১ চাংয়েং কয়া তৌদুনা য়েংলি। মদুদি মণিপুরীশিং ইনি দয়াদগী তোখায় তাজরগে হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা মণিপুরদা নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিং মুখৎলগা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিগী লৈঙাক থমসিরা খন্নরমগনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খল্লম্বসু য়াই। অদুবু করিসু হায়খিদ্রবনিনা মীয়ামদা পান্থে অমা তৌদুনা থেমজিল্লু ভোট তৌরসি হায়রকপনি। ইলেক্সন অসিদা মখোয়গী মরাইবক য়েংজরসনু হায়বগী মওংনি। অদুনদি ঐখোয়না থা ১১ থম্মোয় মৈচাক পুবা ঙমখিদবা, অৱাবা কয়া মায়োক্নখিবা ময়ামদুগী লমন হন্দক্কী ভোট অসিদা শীংগদবনি। ঐখোয় কিদুনা চেনগদবা নত্তে। অফবা মতিক চাবা মণিপুরগী ইস্যু খূদিংমক মতিং লৈনা থেংনবা ঙমগদবা মীহুৎ অদু ঐনা থাদদ্রবদি কনানা থাদগনি। হন্দক্কী মতাং অসিদা ভোট অমা থেংনবসি অমরোমদা লাইবক ফৈ হায়না খঞ্জে। তাঞ্জা অসিদা ঐখোয় খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নহৌসি। হৌজিক চোংথোকপীরক্লিবা মীরেপশিং ঐখোয়না মশকসু খঙই, মমিংসু খঙই, মখোয়গী বাইও দাটাসু খঙই, ৱারীসু লোইনা তারে। মসিদবু পূক্লিং হন্থবা য়ারিব্রো। মরম অদুনা ঐখোয় ভোট থাদরোই হায়বগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। ইশাগী রাইট মাঙহনবীগনু। ময়ামগী অনিংবা অপাম্বদা য়েৎচবদি নৎচদে। তৌবতবু ভোট থাদরোই, ভোট য়াওরোই হায়বসিনা মশীং য়ামখ্রগদি ঐখোয়না কাহন্নীংবা মীরেপতু মায় পাকপা ঙমগদবা মান্দে। মরম অদুনা ঐখোয় হৌজিক চোইরোল লোনবগী মতম নৎত্রে। ঐখোয়গী পাঙ্গল মপূং ফানা পুথোকমিন্নবগী মতম ওইরে। ঈং-তপ্পা মণিপুর অমা ওইনবা হোৎনবদা ঐখোয় পূন্নমক শরুক য়ামিন্নরসি হায়না খুরুমজরি।

অদোমগী - জিনোকুমার লাইশ্রম,
নিংথৌখোং ৱার্দ নং-১, # ৬০০৯৭৮৩৬৪২